১৩শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯-২০

# নেরোকা এফ সীনা নাকোবু পাঞ্জল ৬-১দা অদুগা য়ু কে বিনা জি এস সীবু পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচএনএস):

খুমুকচম জয়কিশন সিংহনা স্পোন্সর তৌদুনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)না শীন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথুরিবা '১৩শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯-২০'গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা নেরোকা এফ সীনা নাকোবু পাঞ্জল ৬-১দা অদুগা য়ু কে বিনা জি এস সীবু পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা নাকো অমসুং নেরোকা এফ সী লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফ হৌরকপদা টিম অনীমক্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা নাকোগী পি অজানপু কবাই জর্সি নম্বর ২১না একাউন্ট হাংদুনা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থাখি। মিনট খরা কান্নরগা নেরোকা এফ সীগী এস সুবাস জর্সি নম্বর ৪২না ২৪শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর চন্দুনা পাঞ্জল ১-১দা লৈখি। মখা তাবা মিনটতা নেরোকা এফ সীনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক কয়া চথখি। পাঞ্জল ওন্থোকপা য়াবা খুদোংচাবা কয়া ফংখ্রবসু ওন্থোকপা ঙমদনা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা নেরোকা এফ সীনা অহেনবা টেক্নিক্ট কয়া হাপচন্দুনা হেন্না ফজবা মায়ওনদা শান্নরকখি। শান্নবগী ৫৫, ৮৪ অমদি এক্সত্রা টাইমগী ২শুবা মিনটতা ৱাই সোমন চোথে জর্সি নম্বর ১৭না পাঞ্জল ৩ চনখি। অদুগা টিমমেট খিমিনথাঙলু জর্সি নম্বর ২২ অমদি টিম অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা এস সুবাসনা শান্নবগী ৬২ অমদি ৬৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমমম হাপচিন্দুনা পুন্না নেরোকা এফ সীনা পাঞ্জল ৬ শুহনখি। অনীশুবা হাফ অসিদা নাকোগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙমদনা লৈখি। মেচ অসি নেরোকা এফ সীনা নাকোবু পাঞ্জল ৬-১দা চাওনা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা জি এস সী অমসুং য়ু কে বি লম্বা তৌনখি। মেচ অসি হৌরকপগা য়ু কে বিনা বোল হেন্না পায়দুনা মাংজিল থানা লম্বা তৌনরকখি। শান্নবগী ৮শুবা মিনটতা য়ু কে বিগী জোন জর্সি নম্বর ১১না একাউন্ট হাংদুনা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থাখি। লেপ্তুনা য়ু কে বিনা এটেক চথুরকপনা শান্নবগী ২২শুবা মিনটতা য়ু কে বিগী ষ্ট্রাইকরনা গোল তম্না কাওশিনখিবা বোল অমদা জি এস সীগী দিফেন্দর মাইকেল জর্সি নম্বর ১৪না থেংদুনা য়ু কে বিগী পাঞ্জল অনী শুহনখি। শান্নবগী ৪১ অমদি ৪৪ শুবা মিনটতা য়ু কে বীগী অহুমশুবা অমদি মরিশুবা স্কোর জোন জর্সি নম্বর ১১ অমদি থাংগেলেন জর্সি নম্বর ১৭না পাঞ্জল অমমম চনখি।

অনীশুবা হাফতা জি এস সীগী মায়কৈদগী একাউন্ট হাংনবা চথুরকপা এটেক অমদা শান্নবগী ৫১শুবা মিনটতা টিম অদুগী সতগৌথাং জর্সি নম্বর ২৮না চনখি। মখা তানা য়ু কে বিনা লেপ্তুনা চথুরকপা এটেক অমদা ইঞ্জুরি টাইমগী ৩শুবা মিনটতা লামমিনলাল জর্সি নম্বর ৭না পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা মখোয়না জি এস সীবু পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

হয়েংগী অহানবা গ্রাউন্দ পুং ১১.৪৫ তাবা মতমদা মুভানলাই অমদি দি এম রাও থেংনরগনি। অদুগা নুংথিলগী পুং ২ তাবা মতমদা নিসা অমসুং ৱাই য়ু এফ সী লম্বা তৌনরগনি।

৯শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কংলৈপাক্তা মেচ কন্দক্ট তৌনবা ওফিসলশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৫(ঐচএনএস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী মীৎয়েং মখাদা কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ)না শীন্দুনা থা অসিগী ৯দগী ১৩ ফাওবা মপাল কাংজেবুঙদা চথুগদৌরিবা '৯শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কংলৈপাক ফুটবোল ট্রোফি ২০২০'গীদমক মেচ কন্দক্ট তৌনবা ওফিলশিং খনখ্রে।

খল্লবা ওফিসলশিং অদুদি মেচ কম্মিস্নরদা এস জেমসকুমার সিংহ, রেফরিদনা এল গোকুলানন্দা শর্মা, টি ঐচ কিরনজিৎ, পি ঐচ লনথোইবা অমদি রঞ্জিৎ সিংহনি। খল্লবা ওফিসলশিং অসি থা অসিগী ৮গী নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরী এল জিয়োমোই রোইদা রিপোর্ট তৌনবসু খঙহল্লক্লি।

# মৈরাবা লুৱাংনা জেক রিপব্লিক্কী মারিন দোষ্টাল মায়থীবা পীদুনা ৩শুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে






বর্লিন, মার্চ ০৫(এজেন্সী):

জর্মনিগী সিটি বর্লিনদা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা জর্মন বেদমিন্টন এসোসিএসননা শীন্দুনা জুনিয়র ইন্টর্নেসনল গ্রান্দ প্রি টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা জর্মন জুনিয়র ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০২০গী নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগীসু নম্বর ১ সিদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা জেক রিপব্লিক্কী মার্তিন দোষ্টালবু ষ্ট্রেট সেট গেম ২দা মায়থীবা পীদুনা ৩শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা শান্নরোয় কয়া ৱিদ্রো তৌখ্রবা মতুংদা ১৩শুবা সিদেদ শান্নরোয় টানিয়া হেমান্তনা ঙসি শান্নখিবা ২শুবা রাউন্দ মেচতা মলেসিয়াগী খোর জিন ৱেনবু ষ্ট্রেট গেম ২দা ২১-৯, ২১-১৭দা থোইদুনা ৩শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

মৈরাবা লুৱাংনা ৩শুবা রাউন্দদা জপানগী শান্নরোয় রিকি তাকৈগা থেংনরগনি। অদুগা নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোয় তানিয়া হেমন্তনা অতোপ্পা মলেসিয়াগী শান্নরোয় তান জিংগা থেংনরগনি।

১৮শুবা কংলৈপাক কপ ২০২০

# সিটি এফ সী মোইরাং অমদি সেৱা ক্বাক্তা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৫(ঐচএনএস):

ৱাপোকপী এথলেটিক রুরেল দিভলপমেন্ট ক্লব (ৱার্দ), ইথাই ৱাপোকপীনা শীন্দুনা টিম ২৮না গ্রুপ ২ থোক্লা খাইদোক্তুনা ক্লব অসিগী শান্নবুঙদা চথুরকপা ১৮শুবা এদিসন কংলৈপাক কপ ২০২০গী ফাইভ মেন এ সাইদ সোক্কর টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা সিটি এফ সী মোইরাং অমদি সেৱা ক্বাক্তা মায় পাকখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ৯শুবা মেচতা সিটি এফ সী মোইরাংনা ৱাংঙু এফ সী (১)বু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখি। সিটি এফ সী মোইরাংগী মায়কৈদগী লোকেশ্বর জর্সি নম্বর ৯না ৯ অমদি ৩৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২, গোপেশ্বর সিংহ জর্সি নম্বর ১৫না ৬শুবা অমদি থৌবা জর্সি নম্বর ২৩না ১৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমম চনখি। অদুগা ৱাংঙু এফ সী (১)গী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা লমঙাত জর্সি নম্বর ২৩না ১৫শুবা মিনটতা চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা সেৱা ক্বাক্তানা ৱার্দ ক্লবপু পাঞ্জল ২-০দা থোইখি। সেৱা ক্বাক্তাগী পাঞ্জলশিং অদু এম দি বোবোই জর্সি নম্বর ৭ অমদি এম দি বোইচা জর্সি নম্বর ৪না চনখি।

৪শুবা ষ্টেট লেভেল ৭-এ সাইদ মেন্স ফুটবোল

ইম্ফাল, মার্চ ০৫(ঐচএনএস):

পাটশোই টুলিয়াইমা সেঞ্চুরি ক্লব (পি টি সী সী) পাটশোই পার্ট-৩না শীন্দুনা টিম ১৮না গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্লগা '৪শুবা ষ্টেট লেভেল ৭-এসাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০' হয়েংদগী হৌদুনা ক্লব অসিগী শান্নবুঙদা পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদকী চেয়রমেন অমদি ষ্টেট প্লানিং বোর্দকী দিপ্যুতি চেয়রমেনসু ওইরিবা সোরোকখাইবম রাজেন সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা হৌদোক্কনি। হয়েং অহৌবা নুমিৎতা য়েনিং এফ সী অমসুং এ স্কৱার (বি) লম্বা তৌগনি।

# নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী চহীগী স্পোর্টস মীট হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচ এন এস):

নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (নৈলিট), ইম্ফালগী নুমীৎ নীনি চুপ্পা চথুগদবা চহীগী স্পোর্টস মীট ২০২০ ঙসি অকাম্পাৎতা লৈবা নৈলিটকী কেম্পসতা হৌদোকখ্রে।



স্পোর্টস মীট হৌদোকপগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলা পরিষদ সেরাম নেকেননা হায়খি, মশা-মউ ফনা লৈবা খুন্নাই অমা শেমগৎনবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। মণিপুর শান্ন-খোৎনবগী লমদা থোইদোক হেন্দোক্লা শীংথানরিবা লমদম অমনি। শান্নরোয়শিংবু য়োকখৎপা তঙাইফদে। স্পোর্টসতা শেল থাদবদা মাঙনিংঙাই লৈতে। মশা-মউ ফবা খুন্নাই অমা শেমগৎপদা নহাশিংবু শান্ন-খোৎনবগী লমদা থৱায় য়াওহন্দুনা মশা-মউ ফহনবা তাই। শান্ন-খোৎনবগী লম অসি হেন্না মাঙজিল থানা চঙশিন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমক্কী থৌদাং লৈ। নৈলিটনা শীন্দুনা চহীগী ওইবা স্পোর্টস মীট পাঙথোকপা অসি য়াম্না অফবা খোঙথাং অমনি। অফবা থবকশিংদা শৌগৎপা চঙই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা নৈলিটকী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর থিঙুজম প্রমেশ্বরনা হায়খি, শান্ন-খোৎনবগী লমদা চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমক্না অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে। লাইরিক-লাইশুসু তমগদবনি। শান্ন-খোৎনবসু য়াওদবা য়াদে। হকচাং ফবা হায়বসি পুন্সিদা মায় পাক্লবগী য়াম্না মরুওইবা শরুক অমনি। হকচাং ফৎত্রবদি পুন্সিদা চঙশিনগে হায়না খঙনবা পান্দমশিং য়ৌবদা ৱানা থোক্কনি। পান্দম অমা ফংনবা হোৎনবদা হকচাং ফনা লৈনবা হোৎনগদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা নেসনল ইনফোর্মেটিক সেন্টরগী সিনিয়র টেক্নিকেল দিরেক্টর লাইশ্রম শ্যামজিৎনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। চীফ গেষ্ট অমসুং দেজদা ফমখিবশিংনা টোর্চ চুখৎপগা লোয়ননা ফিরাল চিংখৎতুনা স্পোর্টস মীট অদু হৌদোকখি।

ফর্স্ত ষ্টেট লেভেল এস তোম্বা মেমোরিএল টুর্নামেন্ট

# লাইতোংবা এফ সী অমদি জিতেন এফ সী মায়পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচএনএস):

কম্যখা সোসল য়ুথ ক্লব হিয়াংথাং মমাঙ লৈকাইনা শীন্দুনা কে এস ৱাই সী গ্রাউন্দ হিয়াংথাংদা চথুরিবা ফর্স্ত ষ্টেট লেভেল এস তোম্বা মেমোরিএল দে এন্দ নাইট ৪ মেন এ-সাইদ ওপন সুপর সোকর টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা লাইতোঙবা এফ সী অমদি জিতেন এফ সী মখোয় মখোয়গী মেচশিং মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অহানবা মেচতা লাইতোংবা এফ সীনা হিয়াংথাং (বি)বু পাঞ্জল ১০দা থোইখি। অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দদা জিতেন এফ সীনা এন সী পিবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখি।

# সাই ট্রেনিং সেন্টরগীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রবা শান্নরোয় ১৮ খনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচএনএস):

খুমন লম্পাক্তা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী ট্রেনিং সেন্টরদা ট্রেনি ওইনবগীদমক্তা চহী অসিগী জন্যুৱারী ২৩দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোকখিবা সেলেক্সনদা মশান্না অহুমগী অপুনবা শান্নরোয় ১৮ খল্লে হায়না সাই ট্রেনিং সেন্টরগী মায়কৈদগী প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা ট্রেনিং চথুনবগীদমক খনগৎলবা জুদো দিসিপ্লিনগী শান্নরোয়শিং অদুদি নুপাগীদা লাইশ্রম অর্জুন, লাইশ্রম সনাথোই, থোকচোম ননাওবা মীতৈ, নিংথৌজম রাজ মৈতৈ অমসুং সৌবাম উত্তমনি।

দিসিপ্লিন অসিগী খনগৎখিবা নুপীগী শান্নরোয় ৩ অদুদি লাইশ্রম দয়া, কৈশাম দিম্পল অমসুং সাইখোম মেরিনানি।

করাটি দিসিপ্লিনগী খনখিবা নুপী শান্নরোয় ৫ অদুদি য়ুম্লেম্বম ওলেম্পিয়া, হুইদ্রোম মেমথোই, য়ুম্লেম্বম চাওবা, লাইশ্রম পুসপা অমসুং খাইতোম তোম্বীনি।

রেষ্টলিং দিসিপ্লিনদা খনখিবা নুপা শান্নরোয় ৪ অদুদি য়ুম্নাম দেবজিৎ, মোইরাংথেম রোমেস, নিংথৌজম নোংদম্বা মৈতৈ অমসুং নাওসেকপম মাইকেলনি। অদুগা দিসিপ্লিন অসিমক্কী অমত্তা ওইবা শান্নরোয় ওইনা খনখিবা অদুদি লৈমপোকপম ভিক্টোরিনি।

প্রেতা পীরকপা চেরোল অসিনা মখা তারদুনা মথক্তা পনখিবা ক্বালিফাই ওইরবাশান্নরোয়শিং অসিনা সাই ট্রেনিং সেন্টরগী সেন্টর ইন চার্জ ওইরিবা এল ইবোমচাগা থা অসিগী ১৬কী ওফিস অৱরগী মনুংদা উন্নগদবনি হায়রি।

প্রেমকান্তা অমদি রোনিবালা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচএনএস):

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শীন্দুনা মমাঙ চহীগী ওক্টোবর ২১দগী ২৭ ফাওবা পাঙথোকখিবা এ এফ সী জি কে লেভেল ৩ কোচিং সার্টিফিকেট কোর্চতা শরুক য়ারুবা মণিপুরদগী সাপম প্রেমকান্তা সিংহ অমদি লৌরেম্বম রোনিবালা চনুনা মায় পাক্লকপদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

১৮শুবা ও এফ এ কপ

ইম্ফাল, মার্চ ০৫(ঐচএনএস):

ও এফ এ পুংদোংম্বমনা শীন্দুনা টিম ২৪না শরুক য়াদুনা ও এফ এ গ্রাউন্দ পুংদোংম্বমদা চথুরিবা ১৮শুবা ও এফ এ কপ ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা মঙাল এফ সী খাবম, জোন এফ সী অচনবীগৈ অমদি সভেন ষ্টার লাংথবাল সেক্তা (সী) মায় পাকপা ঙমখ্রে।

# ২৮শুবা এন্যুএল স্পোর্টস মীট ২০২০ পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ ০৫(ঐচএনএস):

ইরিলবুং হায়স্কুলগী ২৮রক শুবা এন্যুএল স্পোর্টস মীট ২০২০ ঙসিদগী হৌদুনা পাঙথোকখ্রে।

স্পোর্টি মীট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা চীফ গেষ্ট, ইরিলবুং হায়স্কুলগী হেদ মিসট্রেস টি ঐচ ইন্দুবালানা প্রসিদেন্ট, জেদ ঈ ও জোন টুগী এ আই সি ঐচ মঙলেম অমসুং সোসল সাইন্টিস ডা. ধনবির লাইশ্রমনা গেষ্ট ওন্নরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা হায়খি, মহৈরোয় ওইরিঙৈ মতমদা মশা মউ ফনা থম্মবা হোৎনগদবনি। ওজাশিংনসু মহৈরোয়শিংবু নুংশিনা লোয়নবীগদবনি। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা লৈঙাক অসিনা পায়খৎলিবা স্কুল ফগৎহনসি মিসনগী মনুং চন্না ক্ষেত্রিগাও এ সীদা লৈরিবা ইরিলবুং হায় স্কুলসু অফবা স্কুল অমা ওইহন্ননবা হোৎনরি। স্কুল অসিদগী অফবা মহৈরোয় কয়া পুথোক্লবসু হোৎনসি। ওজাশিংনসু থৱায় য়াওনা হোৎনবীয়ু। মহৈরোয়শিংনসু অরেম্বা মতম মাংহনবা ফত্তে। লাইরিক পাবগী হৈনবী থম্বগী মথক্তা মশা মউ ফনা থম্মনবসু হোৎনগদবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

এন্যুএল স্পোর্টস মীট অসি তোঙান-তোঙানবা গ্রুপ ৮ থোক্লা খাদোক্লগা পাঙথোক্কনি।



HL-B/6098/4march to 7april



HL-B/6002/15/2-18/4

HOUSING LOAN AVAILABLE
(Upto Rs 50 LKHS 12% P/a)

মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা লৈবা য়ুম তশেংনা শানীংবা অমসুং ইনকম মতিক চানা লাকপা মীওইশিংগী ওইনা হাওজিং লোন পীজরি। Home Repairing, Renovation, Modular Kitchen, Grazings অমসুং Floor Repairing নচিংবগী লোনগী খুদোংচাবসু লৈগনি। Tiles, Granites, Marbles, Sand অমসুং Cements কী Free Home Delivery Service সু ফংবীগনি।

Mobile Nos. # 8787727402
# 8787530036

Please Contact:- L.G. Construction & Materials Company Pvt. Ltd.
Khagempalli Huidrom Leikai, Imphal West

HL/B/6099/4march to 7 May

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com